Leaflet No. 1 - 2022

| হার হাপকদবা তাঙ্কক | হাপকদবা মতম | Urea(g) | SSP(g) | MOP(g) |
|---|---|---|---|---|
| অহানবা | হৈ হেক পানবা লোইরবা মতুং | 470 | 1350 | - |
| অনিশুবা | অহানবগী হার হাপখ্রবা থা অনিগী মতুংদা | 350 | 900 | 75 |
| অহুমশুবা | লৈ শাৎলমদাই | 120 | 1800 | 200 |
| মরিশুবা | হৈ চাওখৎলকপা মতম | 230 | 450 | 225 |

## নাপী লৌথোকপা :

নাপীশিংনা পাম্বীদা অয়েৎ অপন পিদনবগীদমক মখোংদা হৌরিবা নাপীশিং মীনা শেংদোকপিবা নত্রগা নাপি হিদাকশিং শিজিন্নবিবা য়াই । মরুওইনা পাম্বী অনিগী মরক্তা হৌরিবা নাপীশিংদগী ঙাকথোকনবা অতেনবা মতমগী ওইবা চান্নবা মহৈ মরোংশিং পরেং অনিগী মরক্তা (intercroping) থাজিনবসু য়াই ।

## প্রুন্নীং তৌবা : (Pruning)

অহেনবা মশা-মরেং ককপগী থবক অসি হৈ পানবগী মতম লোইরবা মতুং January - February থাদা ককথোকপীগনি । পামদবা, য়াম্না কুংসন্না লৈবা মশাশিং অদু খল্লগা Secateur কী মতেংনা ককপীগনি । প্রুন্নীং তৌবসিনা মথংগী হৈ পানলকপদা হৈগী মগুন অমদি চাথোক হেন্না ফংবা ঙম্মী ।

## লৈ অশাংপা লৌথোকপা :

লৈ শাংলবা মতুং নুমিৎ ৫ নি শুরকপদা পথরকপা নত্রগা কংশিল্লকপা মতমদা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকনবগী খুৎনা লৌথোকপীগদবনি ।

## হৈ হেকপা মতম :

লৈ শাংখ্রবা মতুং নুমিৎ ২৫ নি সুরকপদা হৈগী মথক থংবা মকু অদু মচু ঙাংবা হৌরকপগা লোইননা নুমিৎ ৩০ নি শুরক্লবা মতমদা মকু অদু মপুং ফানা ঙাংশল্লক্নি মসিনা হেকপা য়ারে হায়বগী খুদমনি । হেন্না মহাও লৈনবগীদমক নুমিৎ ৪০-৫০ শুরকপদা হৈ হেকপদা অকাইবা লৈতে ।

## পোৎথোক :

থাবগী নীতি নিয়ম, কাঙলোন চুম্না থারবদি চাংচত্তা হৈ অমগী অরুম্বসি গ্রাম ৩৫০ অমসুং পরি অমদা কেজি: ১৬,০০০ - ২৭,০০০ ফাওবা পুথোকপা ঙম্মী । ভেরাইতি অমদি লৈবাক - লৈহাও খেন্নবগী মতুংইন্না পোৎথোক অমসুং মহাও অদুমক খেন্নবা লৈরক্নি ।

## লায়না-তীলনাদগী ঙাকথোকপা :

Stem Rot হায়বা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবা ঈশিং লি:১৫ দা গ্রাম ২৫ মেনকোজেব (Mancozeb 75%WP) অমসুং ককচেংগী ওইনা ঈশিং লি : ১ দা মি:লি: ২ (Chlorpyriphos) গী চাংদা হাপ্লগা চাইথোকপীগনি ।

উচেক অমদি শেকপীদগী ঙাকথোক্নবা Bagging তৌবীগনি । হৈ মপুং ফাদ্রিঁঙৈদা চেগী খাও নত্রগা মচুগী নন উভন খাও শিংনা য়োমসন্দুনা থম্বীগদবনি ।

*Prepared by :*
*Dr. Kh. Premlata Devi*
*Subject Matter Specialist (Hort.)*
*KVK, Thoubal*

For further details please contact
Senior Scientist & Head
KVK, Thoubal

# SCIENTIFIC CULTIVATION OF DRAGON FRUIT

भाकृअनुप
ICAR



**KRISHI VIGYAN KENDRA**
THOUBAL
Department of Agriculture
Govt. of Manipur - 795138

# দ্রাগোন ফ্রুট থাবা :

পৃথিবী শীনবা থুংনা খঙনরবা কেকটস মরি চৎপা মখলশিংগী মনুংদা দ্রাগোন ফ্রুট সু অমনি । মরুওইনা অশাবা (ত্রোপিকেল) অমদি ময়াই ওইরপনা শাবা (সব-ত্রোপিকেল) গী লমদমশিংদা ফজনা চান্ননা হৌবা ঙম্বা পাম্বীনি । দ্রাগোন ফ্রুট মখলশিংগী মনুংদা অঙাংবা মচুগী ভরাইটি দা Antioxidant গী চাং ৱাংনা য়াওবগা লোইননা মরুওইবা মিনরেলশিংদা খুদম ওইনা ফোসফোরস, কেলসিয়ম অমদি ভিটামিন-সি মরাং কাইনা য়াওই । হায়রিবা পাম্বী মখল অসি চহি অমদা তরুক্লক হেকপা য়াবনা শেন্দোং হেন্না ফংবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি ।

## অঙৈং-অশা অমসুং লৈবাক - লৈহাও :

খ্বাইদগী চান্নবা অঙৈং অশাগী চাং ডিগ্রি সে: ২০ - ৩০ নি । দ্রাগোন ফ্রুট পাম্বী অসি লৈবাক - লৈহাও মখল খুদিংমক্তা হৌবা ঙম্মী । অদুম ওইনমক Sandy loam ওইবা অমদি খরা হেন্না লৈহাও লৈবা, ঈশিং তুংদবা, অতোঙবা মফমশিংদা হেন্না পক্লে, অশিনবগী চাং খরা ৱাংবা মফমদসু হৌবা ঙম্মী অদুবু খ্বাইদগী চান্নবা লৈবাক্কী অশিন অয়াক্কী চাংনা (pH) 5.5-6.5 নি ।

## দ্রাগোন ফ্রুট মখলশিং :



* *Hylocereous costaricensis*
মনুং মপাল অঙাংবা



* *Hylocereous undatus*
মকু অঙাংবা মনুং অঙৌবা

* *Selenseserious megalanthus*
মকু হংকপাল মনুং অঙৌবা



## পাম্বী চারা শেম্বা :

হৈ পানবা লোইখ্রবা মতুংদা, অরিবা মশা খনলগা সি:মি: ১৫-৩০ ফাওবা শাংনা ককলগা নরসরি পোলিবেকদা থাবীগনি । মরা ফজনা চৎনবগীদমক রুতিং হোরমোন IBA-10g/litre নত্রগা পাউদর ওইনা তৈসনবীরগা সেকেন তরামুক উরুমদা থম্লবা মতুংদা নরসরি পোলিবেকদা থাজনবীগনি ।

## থাফম শেম্বা :

থাফমগীদমক নুংশা মপুং ফানা ফংবা মফম খনবীগদবনি । পাম্বী থাদ্রিঙৈ মাঙওইননা অরন অকুংগী মতুংইন্না Concrete পিলর নত্রগা উগী পিলর লৈবাক্তা য়ুংদুনা থমগনি । ফিট ২:৫ গী চাংদা পিলর অদুদগী লাপথোক্লগা অকোইবদা হৌরিবা নাপীশিং লৌথোকপীগদবনি । শেম শাদুনা লৈরবা পাম্বী মরী পিলরদুগী অকোয়বদা নকসিন্না থাবিগদবনি ।





## পিলর শেম শাবা :

পিলরগী অৱাংবা - ফিট ৫ -৭ (সাইজ ৪ / ৬”)
লৈবাক মনুংদা - ফিট ২-২½
য়োৎকী ফ্রেম - পিলরগী মথক ঈথং থংবদা য়োৎকী ফ্রেম অমা হাপ্পীগনি (য়োৎকী ফ্রেম Diametre 24 cm)



ফ্রেমগী অকোয়বা - য়োৎকী ফ্রেমগী অকোইবদা রভরনা অমুক হন্না মথঙা য়োমশনবীগনি ।

## থাবগী মতম :

নোংজু মমাংদা থাবনা খ্বাইদগী চান্নে ।
(March - April)

## পাম্বী থাবগী অরন - অকুং :

| পাম্বীগা-পাম্বীগা | পরেংগা-পরেংগা | পরি অমদা থাঙদবা পাম্বী মশিং |
|---|---|---|
| 2.5 m | 2.5 m | 2,000 |
| 2.5 m | 3.0 m | 1,333 |
| 3.0 m | 3.0 m | 1,100 |
| 3.0 m | 4.0 m | 833 |

## পাম্বীদা হার হাপ্পা :

লৈবাক লৈহাও খেন্নবগী মতুং ইন্না হার হাপ্পগী চাংসু খেৎন্নে । পাম্বী চারা থারমদাইদা পিলরগী মখোংদা শনথি শনয়ুংগী হার 4 -5 kg নত্রগা Vermicompost 2-3 kg লৈবাক্তা হাপীহৌগদবনি ।পাম্বী থাখ্রবা মতুং চহি অহুম শুরক্লবা পাম্বীদা রসায়নগী হার 1.170 kg.Urea, 4.5 kg.SSP, 500g.MOP চহি অমগী মনুংদা শরুক মরী থোক্লা হাপ্পীগদবনি ।